# টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদবা এথলিট পূন্নমক নুমীৎ খূদিংগী কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌগদবনি : ওর্গনাইজর



টোকিও, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):
চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কনবা শেম শারিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা য়ৈথোরক্লবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী এথলিটশিং অমদি মখোয়গা লোয়নবা সপোর্টষ্টাফশিংসু নুমীৎ খূদিংগী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী অনৌবা কাঙলোন অমা থল্লে হায়না টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী নৌনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু হৌজিক নৌনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অমা লাক্লিবা অসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা শান্নরোয়শিং নুমীৎ খূদিংগী টেষ্ট তৌবগী কাঙলোন অসি লাকখিবনি হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি, মমাংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী শান্নবদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুনুমীৎ ৪নি কান্নরগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী থমখিবা কাঙলোন অদু নৌনা শেমদোক্তুনা শান্নরোয়শিং অমদি মখোয়গা নক্লবা সপোর্ট ষ্টাফশিং পূন্নমক টোকিও য়ৌরক্লবা মতুং নুমীৎ খূদিংগী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদবনি হায়না ফোঙদোরকপনি।

ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী নৌনা শেমদোক্লবা কাঙলোনশিংগী মনুংদা জপানদা লাক্লিঙৈ মাংওইননা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবগী রিজল্ট অনী পায়গদবনি। শান্নরোয়শিং অদুনা জপান য়ৌরক্লবা মতুং নুমীৎ হুম্নি থংন-থংননা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগনি। মদুগী মখা তানা শান্নরোয়শিং অদু মখোয়না শরুক য়াগদবা ইভেন্টশিং অদুগী মাংওইননা চাং নাইনা মখোয়না থেংনরুবা অমদি নক্লরুবা ইভেন্টশিং অদু য়েংলগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী খোঙথাংশিং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী নৌনা পীরকপা কাঙলোনগী মনুং চন্না জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াবা লাক্লিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা উনবা অমদি নকশিন্নবগী তাঞ্জা লাক্লবসু মিটর ১ লাপথোক্না লৈগদবনি। লোয়ননা জপানদা হান্না লাক্তুনা লৈরম্বা নুমীৎ ১৪নি হেন্না শুরবা মীওই অমদি জপানগী মীওইশিংগা উনবদসু হায়রিবা কাঙলোনশিং অসি চৎনগদবনি হায়রি।

ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়গীদমক্তা মাংজৌননা শীন্দুনা থম্লিবা গেমস শান্নফম চৎনবগী ভেহিকলশিং নৎত্রবদা অতোপ্পা পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী ওইবা ভেহিকলশিং শীজিন্নবা য়ারোই হায়রি।

মখা তানা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী পীরকপা অনৌবা কাঙলোনগী মতুংইন্না ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবা লাক্লিবা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী শান্নরোয়শিংনা চান-থক্লবগী মতাংদা কোভিদ-১৯গী ওইনা মাংজৌননা লৌখৎতুনা থম্লিবা খোঙথাংশিংগী মনুং চনবা লাউথোক্তুনা লৈরবা চাফমশিং অদু খক্তমক্তা চাগদবনি। অদুগা অতোপ্পা মফমশিংদা চাবা-থকপগী থবক থৌরম অমত্তা চত্থবা য়ারোই হায়রি।

জপানগী হেল্থ ওথোরিটিগী মায়কৈদগী করিগুম্বা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা করিগুম্বা পীরিবা কাঙলোনশিং অসিগী ৱাংমদা চত্থরম্বা থেংনরবদি তোঙানবা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট পাঙথোক্তুনা মখোয়বু অশোয়-অঙাম য়াওদনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিং অদুগী শান্নফম ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবোক মশীং য়ামহন্দনবা হোৎনরি। অদুবু কদায় ফাওবা ভাবোক শরুক য়াহনগদগে হায়বগী মতাংদা মখা তানা অনৌবা কাঙলোন লাকখিগনি হায়রি।

# চেন্নাই সুপর কিংসনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখ্রে






ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ২৩শুবা মেটচতা ঙসি চেন্নাই সুপর কিংসনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখ্রে।

ন্যু দেল্লীগী অরুন জেটলি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর দেবিদ ৱার্নর অমদি জোনি বার্ষ্টোনা ইন্নিংস হৌদোকখি। বার্ষ্টো রন ৭তা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ চঙলকখিবা মনিশ পান্দে অমদি ৱার্নরনা ইন্নিংস অদু য়াম্না ফজবা মওংদা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ১০৬ হাপচিনখি। ৱার্নর বোল ৫৫দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫৭তা আউট ওইখি। মনিশ পান্দেনা টিমগী অপূনবা স্কোর ১৩৪ শুরকপদা বোল ৪৬তা সিক্স ১গা ফোর ৫ য়ৈদুনা রন ৬১ লৌরমখি। টিম অদুগী ৱিলিয়মসন অমদি কেদর য়াদবনা মথংশিংনা রন ২৬ অমদি ১২ লৌবা ঙমদুনা অপূনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৭১দা ইন্নিংস লোইশিনখি।

মায় পাক্লনবা চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী রন ১৭২ লৌবগী টার্গেট অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী ১৮শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ১৭৩ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না সনরাইজর্স হায়দরবাদপু ৱিকেট ৭তা থোইখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী রুতুরাজ গেক্বাদ অমদি ফাফ দু প্লেসিসনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ১২৯ লৌদুনা মায় পাকপগী লম্বেল অদু শেন্না হৌখি।

রুতুরাজ গেক্বাদ বোল ৪৪দা ফোর ১২ য়ৈরগা রন ৭৫ দা ইন্নিংসকী ১৩শুবা ওভরদা আউট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা মোইন অলি বোল ৮দা রন ১৫ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক আউট ওইখিবা অদুগী থংনবা বোলদা ওপনর ফাফ দু প্লেসিসসু রন ৫৬তা আউট ওইখি। প্লেসিসনা মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৩৮ মায়োক্লবদা সিক্স ১গা ফোর ৬ য়ৈরমখি। ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা রবিন্দ্র জাদেজা অমসুং সুরেশ রাইনা আউট ওইদনা রন ৭ অমসুং ১৭ লৌখি।

# ইন্দিয়াগী ফেন্সরশিং টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফায়িংগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে



টাস্কেন্ট, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):
উজবেকিষ্টানগী কোনুং টাস্কেন্টতা পাঙথোকপা ফেন্সিং দিসিপ্লিনগী ওইনা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা ফেন্সরশিং ক্বার্টর ফাইনেল লান্থোকপা ঙমখিদবদগী ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখিদ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা থাদা ইন্দিয়াগী ওইনা ফেন্সর ভবানি দেবীনা ইটালিদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অমদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিবনা মরম ওইদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা ফেন্সর ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

টাস্কেন্টতা পাঙথোকপা এসিয়ন ওলিম্পিক ফেন্সিং ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী ফেন্সরশিংনা মখোয়-মখোয়গী ওইবা লৈজবা মশান্নগী মওং অদু উৎপগী ৱাংমদা অশোয়বনা হেঞ্জিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল থাক অদু লান্থোকপা ঙমখিদবনি হায়না ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা নেসনলগী থাক্তা থৌদাং লৌরিবা কোচ অমনা ফোঙদোরকখি।

হৌখিবা চয়োল লোইশিল্লকপদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা টাস্কেন্টকী এসিয়ন ওলিম্পিক ফেন্সিং ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা নুপীগী কেটেগোরিদা কোটা ৩অমদি নুপাগী কোটা ৩ পূন্না ওলিম্পিক্সকীদমক্তা কোটা ৬ লৈখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সুনিল কুমার অমদি রাধিয়া অভার্টিনা মখোয়গী কেটেগোরিশিং অদুদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লগা অতোপ্পা ফেন্সর ৩না ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌবনি।

সুনিল কুমারনা নুপাগী ইপি ইভেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা হৌরকপদা মাংজিল থাবা ঙম্লম্লবসু লোইশিল্লকপদা অশোয়বা য়াওখিবদগী মরুওইবা পোইন্ট ৩ মাঙদুনা মায়থীহৌবনি।

# নুপীগী টি-২০ চেলেঞ্জ টুর্নামেন্ট য়ৈথোকপা য়ানা লৈরি

মুম্বাই, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা নুপীগী ওইবা টি-২০ চেলেঞ্জ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট মুম্বাইদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লৈবাক অসিদা লৈরক্লিবা অনৌবা কোভিদ-১৯গী মশীং য়াম্লবা কেসশিং অসিনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকপা য়ানা লৈরি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা ৱারোল অমা থাদোরক্তুবসু হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়ানা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসি য়েংলুরগা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি শুংশোয় শোয়দনা য়ৈথোক্লগনি হায়না পানরি। মরুওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, ৱেষ্ট ইন্দিজ, ন্যু জিলেন্দ অমদি সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা ইন্দিয়াদা লাকপা য়াবগী খূদোংচাবা অদু লৈরোইদৌরিবনি। পনবা য়াবদি, ইংলেন্দনা মাংজৌননা ইন্দিয়াদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি য়েংলগা লৈবাক অদুদগী ইন্দিয়াদা চৎপা নৎত্রগা ইন্দিয়াদগী ইংলেন্দদা লাকপা মীওইশিং অথিংবা থমখ্রবনি।

বি সী সী আইনা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্লনবা শীনখিবনি। মরক অসিদা, দেল্লী এন্দ দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসন (দি দি সী এ)গী ওফিসলশিংগা ঙরাং শান্নবগী মমিং লৈরবা মেগাজিন অমগা ৱারী শানবদা মখোয়গী মায়কৈদা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকপা নৎত্রগা মফম হোংদোকপগী মতাংদা করিগুম্বা ইন্সট্রক্সন অমত্তা বি সী সী আইগী মায়কৈদগী পীরকখিদে হায়রি। ইংলেন্দনা মাংজৌননা ইন্দিয়াগা চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মতাংদা অথিংবা থমখ্রবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াসু চয়োল অনীগী ওইবা মতমগী ওইনা ইন্দিয়াদগী লাক্কদবা ফ্লাইটশিং অদু সস্পেন্দ তৌবগী ওর্দর থোকপা লৈখ্রবনি।

# ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ দুবাইদা মফম হোংদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):
চহী অসিগী মে থাদা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দেল্লীনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১ হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী অমদি ন্যু দেল্লীগী ওইবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলুরগা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী কোনুং দুবাইদা হোংলগনি হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা মরম ওইদুনা পোজিটিভ ওইবা মীওইগী মশীং হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী লৈঙাক্লা ইন্দিয়াদা চৎপা নৎত্রগনা ইন্দিয়াদগী লাকপা খূদিংমক অথিংবা থমদুনা লৈরি। হায়রিবা খোঙথাং অসিগা ইরোয়ননা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা এসিয়ন বোক্সিং কনফিদরেসনগা কুপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুং ইন্দিয়াদা চঙবগী অথিংবা কয়া অমা থল্লক্লিবা অদুগী য়েংলগা এসিয়াগী ওইবা নুপা অমদি নুপীগী বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদু ন্যু দেল্লীনা য়ূম্বু ওইরমগদবা অদু হোংদোক্তুনা দুবাই সিটিদা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস বোক্সিং ফেদরেসনগী মায়কৈদগীসু অয়াবা পীরকপা লৈখ্রে।

বোক্সিং ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা, ন্যু দেল্লীদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী অৱাবা অসিগী য়েংলুরগা মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদু শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শান্নরোয়শিংগী হকশেলগী চিংনবা লৈরকপদগী চেম্পিয়নশিপ অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী কোনুং দুবাইদা পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌখিবনি। অজয় সিংহনা মখা তারদুনা লাইচৎ অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি অথুবা মতমদা ফরকপা ওইরসনু হায়না মহাক্কী ৱারোল অদুদা ফোঙদোরকখি।

# রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমন্যাটচি অরোইবা রাউন্দদা মায়থীরবসু কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):
মালেমগী চেছ মশান্নগী ওইবা মরুওইবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট ওইরিবা কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্টকী অরোইবা রাউন্দদা মায়থীরবসু ৱর্ল্ড নম্বর ফোরদা লৈরিবা রসিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমন্যাটচিনা মমাংগী রাউন্দশিংদা ফজখিবা অদুনা মরম ওইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংলবা ইয়ান নেপোমন্যাটচিনা হৌজিক-হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসনগা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন রাউন্দ অদুদা শান্নবা য়াবগী খূদোংচাবা অদু ফংখি। পনবা য়াই, নিংথৌকাবা নুমীৎতা কেন্দিদেট চেছ টুর্নমেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা য়াবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা রসিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ফোর গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমন্যাটচি অমসুং নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরি য়াওখিবনি। অদুবু নিংথৌকাবা নুমীৎ অদুদা অনিশ গিরি মায়থীখিবদগী নেপোমন্যাটচিনা কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা য়াবগী অচৌবা লম্বেল অমা ফংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্ট অসি মমাং থাদা রাউন্দ ৭ শান্নবা লোইরবা মতুং কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকপদগী পন্থদুনা লৈখিবনি। রাউন্দ ১৪ শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপা লম্বাশিংদা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমন্যাটচিনা মমাংদা মাংজিল থাদুনা লৈখিবা অদু নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরিনা তানখৎলক্তুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎ ফাওবদা পোইন্ট মান্নদুনা লৈখি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা অনিশ গিরি মায়থীবা নংখি। মদুদা মরম ওইরগা নেপোমন্যাটচিগী খূদোংচাবা হেনগৎখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা নেপোমন্যাটচিবু চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেননা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, নেদরলেন্দসকী অনিশ গিরি রসিয়াগী শান্নরোয় কিরিল অলেকসিনকোগী মখূৎতা মায়থীহৌবনি। শান্নরোয় ৮গী লম্বাদা নেপোমন্যাটচিনা পোইন্ট ৮.৫ ফংলগা মকোক ওইখি।

# মলেসিয়াদা ইন্দিয়াগী মীওই চঙবদা থিংলকপনা মরম ওইদুনা সাইনা নেহৱাল অমদি কিদম্বী স্রিকান্তকী ওলিম্পিক মঙলান মমি শাল্লক্লি



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা ইন্দিয়াদা চাওনা পীরিবা চৈথেং অসিনা মরম ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং চঙবা য়াহন্দবগী লৈরক্লিবা ফীভম অসিদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফায়িং টুর্নমেন্ট অমা ওইগদৌরিবা মলেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াদুনা ক্বালিফাই ওইনবা মঙলান শেমখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল অমদি নুপাগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্তকী লম্বেল তেনশিল্লক্লি।

চহী অসিগী মে ২৫দগী ৩০ ফাওবা মলেসিয়াগী কোনুং ক্বালা লুম্পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মলেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিনা ওলিম্পিককী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা অমদি অরোইবা টুর্নামেন্টনি। ইন্দিয়াগী মমাংদা নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মকোক থোংবা ঙম্লম্বী সাইনা নেহৱাল অমদি কিদম্বী স্রিকান্ত হৌজিক-হৌজিক মখোয়গী কেটেগোরিশিং অদুদা মালেমগী ওইবা মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ১৬শুবা পোজিসনগী মনুং চনবা ঙমদবা মরম্না ক্বালিফাই ওইবা ঙমদবনি।

মলেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা মখোয় অনীনা ফজবা ঙম্লবদি ১৬শুবা পোজিসন অদু লানখৎপা ঙম্বগী তাঞ্জা অমা ফংলম্বনি। হীরম অসিগী মতাংদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ মলেসিয়া নৎত্রগনা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অরেপ্পা ৱারোল অমদি পীরকপা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি, ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধু, নুপাগীদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট বি সাইপ্রনিট অমদি নুপাগী দবলসকীদা রানকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথি মখোয়না হৌজিক ফংলিবা রেঙ্কিং অদুনা মরম ওইরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইরি।

# ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলি আই সী সী টি-২০গী রেঙ্কিংদা ৫শুবা পোজিসনদা লেংদনা লৈরি




দুবাই, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা টি-২০ ক্রিকেট ফোর্মেটকী শান্নরোয়শিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি বেটসমেনশিংগী ওইবা পরিংদা ৫শুবা পোজিসন অদুদগী লেংদনা লৈরি।

ঙসি আই সী সীগী মায়কৈদগী থাদোরকখিবা অনৌবা মকোক-মথং তাবগী পরিং অদুদা পাকিস্তানগী বেটসমেন অমদি টিম অদুগী ওপনরসু ওইরিবা মহমদ রিজৱাননা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ওইনা মকোক থোংবা বেটসমেন ১০গী মনুংদা চনবা ঙম্লি।

রিজৱাননা জিম্বাৱেগা শান্নবা সেরিজদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী ফজবা বেটিংগী পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা সেরিজ অদুবু ২-১দা মায় পাকহনবা ঙমখি। মহাক্কী মায়কৈদগী অহানবা অমদি ৩শুবা মেটচতা জিম্বাৱেগী মায়োক্তা আউট ওইদনা রন ৮২ অমসুং ৯১ লৌখিবা অদুনা মকোক থোংবা বেটসমেন ১০গী মনুংদা চনবা ঙম্লকপনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন কে এল রাহুলনা মমাংদা হান্না লৈখিবা ৭শুবা থাক অদুদগী লেংদনা অদুম্মক লৈবা ঙম্লি।

# মেঘচন্দ্রবু ওবজর্ভর ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিস বিয়াররশিংগী ওইবা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা ঐচ মেঘচন্দ্রবু ওবজর্ভর ওইনবগীদমক্তা খল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা ইলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী ওফিসতা মে থাগী ২দা নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিস বিয়াররশিংগী মীখল অদু য়েংশিন্নবা মেঘচন্দ্রবু খল্লকপনি হায়রি।

PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোইনবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774495994

HL-P/6855/14-30 days alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com